হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জানুৱারী ০৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৭৮ শুবা মশীং

# ইম্ফাল-চান্দেল বস সার্ভিস

## পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদা শীজিন্নগদবা বসশিং লৈশিনসি

**মীয়ামগী** চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাননবা মতম অমদা মণিপুরদা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) লীংখৎখি। চহী খরা থবক তৌরম্লবা তুংদা হেন্না খুদোংচাননবনি হায়দুনা মতমদুগী লৈঙাক্লা প্রাইভেটাইজেসন্দা মীৎয়েং থমদুনা মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট (এম এস আর টি সী) হায়দুনা মমিং ওন্দুনা কোর্পোরেসন ওন্থোকখি। এম এস টিদা লৈরম্বা মতমদুগী এমপ্লোয়শিং এম এস আর টি সীনা ৱাইরগা শীজিন্নরম্মী। মদুদা কোন্নদবা অমসুং মথৌ তাই হায়না লৌবা এমপ্লোয়শিং, দ্রাইভরশিং অদুনা এম এস আর টি সীগী এমপ্লোয় ওইনা লৌরম্মী। ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী ফীভম কা হেন্না ফত্তবা অমসুং মতমদুগী কোর্পোরেসনগী ওথোরিটিশিংনা মশাগীদা খল্লকপদগী এম এস আর টি সী হিংহনবা ঙমখিদে। এমপ্লোয়শিংগী তলব পীবা ঙমদবগী থাক য়ৌরকখি। মসিনা মরম ওইরগা এম এস আর টি সী মুথৎখি। মুথৎখ্রবা তুংদগীদি মাগী মমিংদা লৈরম্বা লম অয়াম্বসু মথং-মথং মাঙখ্রে। মতমদুদা শীজিন্নরম্বা য়াল্লবা বসশিংসু ওক্সন তৌথোকখ্রে। মোইরাংখোমদা লৈরম্বা এম এস আর টি সীগী কমপ্লেক্স অসিসু মচিৎ-মচিৎ অতোপ্পা হীরমদা শীজিন্নখিবদগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা শীজিন্নহৌবা লমগী শরুক্তি য়াম্না লৈহৌদ্রে। অসুম্না মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা খ্বাইদগী চাউনা কান্নবা পীগদবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা মফম ইখঙ খঙহৌদনা মুথৎখিবদগী ষ্টেট অসিদা লম্বী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্নবা হৌরকখি। লন্নাই মীওই কয়ানা লৈবা বস অমসুং মখল-মখা কয়াগী মী পুনবা গাড়ীশিংনা তোঙান তোঙানবা এসোসিএসনশিং শেমদুনা লম্বী খুদিংমক মখোয়না সার্ভিস তৌবা হৌরকখি। লন্নাই মীওইনা চলাইবা বস সার্ভিসনা শাংলবা চহী কয়া অমা মীয়ামদা কান্নবা পীরগসু মীয়াম্না পাল্লিবা হেন্না খুদোংচাবা হায়বদুদি হৌজিকসু ফংবা ঙমদ্রি। ফীভম অসি মমুৎ তানা খঙলবা তুংদা বি জে পিগী নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক্লা মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট (এম আর টি সী) হিংগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখি। হৌজিক্তি ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লে। জৱাহরলাল নেহরু নেসনল অর্বান রিন্যুএল মিসন (জান্নরুম) গী মখাদা পীরকপা বসশিং শীজিন্নবা হৌরকখি। অদুবু মশীং য়ামখিদ্রবা সেমী লো ফ্লোর খরখকসিনা মীয়ামগী তঙাইফদবশিং কোকহনবা ঙম্বগী পাম্বৈদি হৌজিকসু উবা ফংদ্রি। মমিংখক্তগী ওইনা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম লৈহনবনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খোইরাং-খোইশাওনবা পোকহনবগী তানফম লাক্তবা নত্তে।

মণিপুরদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম মপূং ফানা লৈতবদগী মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা লন্নাই মীওইশিংগী পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদা তাংলগা লৈরি। ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা লম্বী কয়ামরুম নুমিৎ খুদিংগী ওফিস অৱার মতমদা ত্রাফিক জাম থোক্লি। নোংমাইজিং নুমিৎ হায়বা থিদনা নুমিৎ খুদিংগী লম্বী চিনবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ফীভম অসি করিদগী ওইরকপনো হায়বা তারগদি পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম মপূং ফানা লৈতবা মরম্না মীয়াম্না তঙাইফদবা মতমদা ময়ূমদগী থোরকপদা গাড়ী মচা নৎত্রগা অচৌবা অমা লোইনদবা য়াদবগী ফীভম লাকহনখি। লায়রবা ইমুংগী মীওই ফাওবা কার অমা লোইদবা য়াদবগী ফীভম লাকহল্লিবা অসি মতম অমদা লৈঙাক্লা এম এস আর টি সী মুথৎখিবননি হায়না লৌরগসু থোইনা লাল্লোই। অমুক্তদা মীওই ৫০/১০০ তোংলগা লম্বী অমদা চৎপগা হায়রিবা মতম অদুমক্তদা গাড়ী মচা ৫০/১০০ থোরল্লগদি লম্বী চিনবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। মরম অদুনা অফবা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা লৈহনবা তারগদি সহর মনুংদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকপদা জীপ, কার নৎত্রগা গাড়ী মচা পুনরক্লিবা অসি তোকহনবা ঙমগনি। লুপা ২০খক তিংলগা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপা য়াবা মফমদা পেট্রোল/দিজল লৈবদা লুপা ১০০/২০০ তিংহল্লিবসিসু কোকহনবা ঙগনি। লম্বীগী খুদোংচাদবা থৌদোক থোকপগী চাং হন্থগনি। পোল্যুসন নীংথিনা চ্যেক তৌবা ঙমগনি। নুমিৎ হেক তারকপগা য়ূমদা হন্ননবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং থিবা ফংদ্রিবসি নুমিদাংগী পুং ৯ নৎত্রগা ১০ ফাওবা সার্ভিস তৌহনবা ঙমগনি। মসিনা হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল সহরবু অশিবা সিটি অমগুম্না লৈরিবসি অহিংবা সিটি ওইহনবা ঙমগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ইম্ফাল-চান্দেলদা হন্দক্তা বস সার্ভিস লৈহনখিবসি শিংথানীংঙাই ওইবা লৈঙাক্কী খোঙথাং অমনি। অদুবু এম এস টিগী বস চেনদ্রিঙৈগী মমাঙদা লন্নাই মীওই কয়ানা শেম্বা এসোসিএসন্না সার্ভিস তৌরম্বা বসশিংগা কমদৌনা পূন্না লম্বীসিদা চেনমিন্নবা য়াগদগে হায়বদুসু থৌশিল অমা শেম্বা চুমগনি। মদু নত্তনা এসোসিএসন তোঙানবগী মওংদা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরক্লগদি মীয়ামদা মদুনা হেন্না খুদোংচাদবা ফীভম অমা লাকহনগনি। লম্বীদা হিদান্নবদৌনা গাড়ী কন্না-কন্না থৌনরকনি। মখোয় মখোয়গী টর্ন থুগাইনরক্কনি। লৈঙাক্লা অহেনবা বস ১০০/২০০ লৈশিন্দুনা মপূং ফাবা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা লৈহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা লন্নাই মীওইশিংদসু বস লৈহন্ননবা অখন্নবা তেংবাঙ পীননবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবসু চুমগনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## অনৌবা কুমজা ২০১৮না লাকপসিদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইন্দিয়া** গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমনি। মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা লৈঙাকপা লমদম অমনি মণিপুর। চীংলোন ৯না কোয়শিনবা চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা কাঙলূপ ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা মফমনি সনা লৈবাক মণিপুর। দেমোক্রেসিগী মরিশুবা য়ূম্বীনি হায়নরিবা ঙসিগী ঐখোয় ষ্টেটসিগী মিদিয়াশিংনা খুন্নাইসিদা লৌরিবা থৌদাংশিং শিংথাদুনা পুন্সিদা লোইবা খম্বা নাইররোই। ঙসি মিদিয়ানা অহিং-নুংথিল, নোংজু-নুংশা খাক্তনা কোয়না চৎতুনা মালেমদা পাউজেল পীবা মীৎনা উবা মপূনি হায়বা য়াই।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭না লোইখ্রবদা চহীদুদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক খুদোংথিবা কয়াগী মরক্তা মেদিয়ানা থেংনখিবা অৱাবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অনৌবা কুমজা ২০১৮ অসিদদি অমত্তা থোক্তবা ওইরসনু। অনৌবা কুমজা ২০১৮না লাকপসিদা চীং অমসুং তমগী মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কাবীরল্লবা কাবিরল্লবী এম এল এ ৬০ অমসুং ইন্নর অমদি আউটরগী এম পি ২ লোয়ননা রাজ্য সভাগী এম পি ২ অমদি হন্দক্তা নৌনা পাঙথোকখিবা ৫শুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন্দা নৌনা কাবীরল্লবা, কাবীরল্লবী জিলা পরিষদ, প্রধান, মেম্বরশিং লোয়ননা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংদগী কাবীরল্লবা, কাবীরল্লবী কাউন্সিল্লরশিং, নগর পঞ্চায়টশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংনসু অনৌবা কুমজা ২০১৮না লাকপসিদা অনৌবা প্রোজেক্ট প্লান অমদি স্কিমশিং মীচম মীয়ামগীদমক্তা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা ওইরসনু। অনৌবা কুমজা ২০১৮দা ঐখোয় মীয়াম্নসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনদবা, নুংশিনদবা লৈরম্বা খুদিংমকশিং কুমজাসিদদি থোক্তবা, নুংঙাই-য়াইফবা, বন্দ ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক্নচিংবা লৈতবা লমদম ওইরসনু।

ঙসিগী ঐখোয়গী ষ্টেটসিগী মিদিয়াশিংনা লৌরকখিবা থৌদাংশিং অমদি মখোয় মখোয়শিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংথিবশিংগীদমক্তা য়েংবীরগা অনৌবা পোলিসি প্রোগ্রাম খরা পুথোকপীদুনা অনৌবা লৈঙাকসিনা হোৎনবীরকপা হায়বসি মিদিয়াগী মফমদা তৌবীমল উৎপনি। মসিসু অফবা খোঙথাং অমনি হায়দবা ঙল্লোই। ঙসিগী লৈঙাকসিনসু মিদিয়াবু ওকেষ্টারগী হায়বদি ম্যুজিক্সিয়নগী মওংদা উবদি অরানবা ওইগনি, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকসু লৈরক্লোই। ঙসিগী মালেমসিদা ফাওরবা শৈশকপা অমদি শৈশকপীশিংগী মরুওইবা থৱায় হাপ্লিবসিদি ওকেষ্টারননি। অদুবু ওকেষ্টারদি মীচম মীয়াম্না শকখঙবীদে শিংথাবীদে মসি লাল্লি। অদুগুম্লদনা ঙসিগী লৈঙাকলোইশিংনা মীচম মীয়াম্বু ওকেষ্টারগী মওংদা উরকপা খল্লকপা তারবদি করি ওইগনি খন্থবা চুম্লোইদ্রা হায়জনীংই।

ঙসিগী মমল য়াল্লবা অয়াঙবা গাড়ীশিং থাও য়াওদ্রবদি চেনবা য়াদবগুম্না মীচম মীয়াম্না য়ারক্তবা মীৎকুপ পুংজাদা খুদিংমক থাও য়াওদবা গাড়ীশিংগা পাংখক ওইগনি কাউবীদনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়জনীংই। পূম্নমকশিং অসি অনৌবা কুমজা ২০১৮না লাকপসিদা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরসনু।

*অদোমগী - কোন্থৌজম মনিহার সিংহ*
*সেকমাইজিন খুনৌ*

# অনৌবা চহীনা করি পুরক্লমগনি

### চাইথোরকপা ৱাখল
### নরেন্দ্র নিঙোম্বা


**অনৌবা চহী থুংলখ্রে।** মালেমগী মীয়াম পূম্নমক্না হরাউ তয়াম্না ওক্নখ্রে। মচু কয়াগী মৈ থান্দুনা, মখল কয়াগী মৈ কাপখৎতুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। মফম-মফম খুদিংদা পার্টি মচাদগী য়াইমরপ চাউবা ফাওবা শিন্দুনা অঙকপা অমা ওইনখ্রে। মথেল কয়াগী চিঙ্গাক চাদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্নখ্রে। মণিপুরদসু থৱায় পানবা কয়া হিংহাৎ-হাৎতুনা তরা মথেল ওন্থোক্তুনা য়ূমথোং অয়াম্বা হরাউ মীনোক্না পূমনিল নিনখ্রে। চীংয়া, তময়াদা, তুরেল খোংবান্দা, নৌনা শেমগৎপা লৈকোলদা, মায়কৈ কয়া কয়াদগী থোমজিল্লকপা লমচাক চাবা কাঙবুনা শেম শাদুনা পুরকপা মথেল কয়া থোং থাক্তুনা চিনদম্মীনখ্রে। মচু কয়াগী মহী অঙৌবা, অঙাংবা, কোঙ্গোল কাবী, কোকঙাও মহী কয়াগী ময়াইনা ঈশৈ য়াম্না শকথনখ্রে। মপুন্সিগী ঈশৈ শল্লক্তবা কয়াসু ঈশৈ শক্তুনা ময়াম খুবাক খুনদুনা তান থানখ্রে। চেগী উপুদা হাপতুনা পুরকপা ফজবা মঙক শাংবা লিক্লি কয়াসু মঙক লৈথৎতুনা তেংনা থক্লখি। লিক্লি কয়া লমহাংদা ফৈনা-ফৈনা তাদুনা লৈনখি। অঙৌবা চেরংদা ময়োম ময়োম পুরকপা কয়াসু চাকখাও লোইনা য়ৌনখি। তাদুনা লৈহৌরিবা হায়ববু অহাংবা চেরংনা নুংশিৎনা হুমদুনা পাইনীংবা মফমদা পাইদুনা ৱাই পুমচাই চাইহৌরিবসি মঙাই। ওন্থোক্লা নুংঙাইবা অনৌবা চহীগী লমচাক ওইনখ্রে। করিগী নুংঙাইরিবা, করিগী হাওরিবা, করিগী পেন্নরিবা কনানসু ৱাহং হংনদে। অনৌবা চহী লাক্লে চারনি-থল্লগনি সিনি। অরিবা চহী লোইবগী হৌরকখিবা ইথক-ঈরাংগী নুমিৎ নীনি চুপ্না লোইখিবগীসু-লাকপগীসু ঙমজবা থাদুনা মথোই কানখিবনি। অনৌবা চহী লাকপদা হেক নুংঙাইত্রিবসি ঐখোয়গী ইপু মঙাইরে। মাদি য়াম্না হিংনীংলি। য়ারগদি হাপকৎলক্লিবা চহীসি মাগীদি শরুক থুংবিদনা চহীসি য়ামদনা শুম লৈজনীংই। তাইবঙপানগী নুংঙাইরবা কুম্মৈ কয়াসি পেন্না য়েংনীংলি। অদুবু মদুদি য়াবা নত্তবনিনা শোল্লবা মপাঙ্গল য়াওদ্রবা চৈশুগী মতেং নত্তনা চৎপা ঙমদ্রবা ইপুনা ৱাজরিবদি চহীনা নম্বো পোদুনা মখ্বাং কোনথরক্লিবা অসিদা অনৌবা চহী অম'মুক হাপচিল্লবদি হেন্না লুমথরক্লনি হায়বসিগীনি। মাদি চহী হাপকৎপগী নুংঙাইবা ফাওদে। চহী হাপকৎপদা মপিদুম তানা কপ্লি। খরা অমনা চহী লাকপদা শাথিনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরি।

থোইদোক্লা লানবা হৈজদবা থৱাই পানবা কয়া অনৌবা চহীনা লাকপদা ৱারেম শুনীংবা, ঈরাং পামজবা কয়াগীদমক থৱায়না পোন্থা পীনখি। থৱায়শিং অদুনা লানঙমদনা লানখিবদু শোয়দনা ৱারৌরমগনি। মরম চাদনা মখোয়না মপুন্সি কেমখিবদু। পোল্লবৈ শিগদবনি, পোল্লবদি হিংগদবনি, মখোয়সু খল্লমগনি, মসিদি থৱায় পানবা খুদিংমক্কী হৌনবীনি। মপোক থিনা পোল্লকপা কয়ানা শিফম নাফম খঙদনা ৱানা পুন্সি কেম্নবা অদুগুম্না য়েন, ঙানুদগী হেন্দোক্তুনা মখোঙ মরী পানবা কয়া অমা চহী লোইবা অমদি হৌবগী চাকচা হৈজানবগীদমক মরম চাদনা থৱায় থাখিবদু মখোয় পেঞ্জরম্মোই, মরম চানা শিনিংলমগনি। থৌরম পাঙথোক্লরিবশিংনা অনৌবা চহী লাকপদা হরাউ তরাম্না ওকপদা চাকচা হৈজানবা তৌরিবা অদুগুম্না লাক্কদবা চহীদা করি চাওখৎ থৌরাং ইমুংগী ওইরো, মশাগীবু ওইরো, লৈবাক্কীবু ওইরো করি পালন তৌনরমগনি। কনাগা তানরমগনি। ইমুং অমত্তদা ময়াম পূন্না ফমিন্নদুনা অনৌবা চহীসিগী মনুংদা ঐখোয় করি তৌসিগে হায়বনচিংবা খন্ন-নৈনরমগদ্রা? লাক্লিবা শেনফমগা চৎকদবা শেনফমগা অনীগী খাইদোক খাইজিন অমদি তিনথোক-তিনশিন তৌদুনা হেন্না শেন্থোক লৈনবা করি থৌরাং লৌখৎসিগে হায়বদি থোইদোক্লা ইমুং অমত্তদা মচা মশু ময়াম পূন্না ফমিন্নদুনা খন্নরমগনি হায়বা থাজদে। হৌখ্রে লোইনমক। সেলেব্রেসন তৌদুনা তরাম্না ওকখ্রে অনৌবা চহী।


অনৌবা চহীনা করি পুরক্লমগনি। মণিপুরগীদমক, মীয়ামগীদমক, হিংবদা ৱারবা শেন্থোক লৈজদবা শুফম নোমফম খঙদ্রা কয়াশিংগীদমক। কনাসু হায়বদি ঙল্লোই, খনসু খন্নদে মসিগী মরমদা। হৌখিবা চহীসু নুংঙাইনা হরাউনা তরাম্না ওকখি। অদুবু থোইদোক্লা য়াইফ থৌরাংদি য়াওরমখিদে। ইস্যু কয়াগী ময়োলদি চোংলকখি। ইস্যুশিং অমত্তা মপূং ফানা হৌখিবা চহীদা লোইশিনখিদে। ৱামৈগুম্না ওমদুনা লৈহৌবা ইস্যুশিং হৌজিক লাক্লিবা চহীশিংগী মনুংদা করি ওইরক্কদগে কনাসু হায়বা ঙমদে। চহীসিগী মনুংদা মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তারিবদি মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা ৱাখল মান্নদবা কয়াশিং অসি পূন্না চৎমিন্নবা য়ানবা য়ানরোল অমা লাকপা অদুনা হেন্না মরুওই। কাঙলূপকী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা, খেন্নবা অসিবু শৌগৎলিবা অমদি হেন্না ময়ি চৎনবা থৌরাং তৌরিবা পূকচেলশিং অদু হান্না শেমদোক্তুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা মায়কৈরোমদা মীৎয়েং থল্লকপা অসিনা হেন্না মরুওই। লৈবাক্কী ওইনা লৈরিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমনা হায়বা অমনা তাদবা, শোক্লা শম্নবা য়াদবগুম্না নাকল নাকল লেপ্পরগা মানা মানা নীংবা হিংনদুনা লৈনরিবা কয়াশিং অসি অমত্তা ওইবা লিচিং অমদা লাক্লগা তাথোক তাশিন তৌনদুনা হেন্না ফগদবা হীরমদা মায় ওনশিন্নবদুনা হেন্না মরুওই। হৌজিক লৈনরিবা ফীভম অসিদি ওন্থোক্লা হঙ্গোইবা ফীভম অমনি হায়দবা য়ারোই। অহৌবা স্পিকর শীজিন্নদুনা পংহায়দা হায়নবা, লৈবাক্কীবু ওইরো, মীয়ামগীবু ওইরো, লৈঙাক্কীবু ওইরো মীটিং অমা, থৌরম অমা তৌবদা মাগী মাগী পার্টিগী ৱা ওইনা পুথোক্তুনা হায়নবগী মহুত্তা, লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমলোমদা পূন্না মীৎয়েং থমদুনা ৱা হায়নবা অমদি অনৌবা আইদিয়া পুথোক্নদুনা তান্নমিন্নবনা হেন্না লৈবাক মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। অদুবু মদুমক্তি মণিপুরদা ওইগনি হায়বদি থাজদে। লৈঙাক অমা লৈবদা শোয়দনা রুলিং অমদি ওপোজিসন হায়বা অসিদি লৈফম থোক্লবনি। অদুবু রুলিংনসু ওপোজিসন্নসু নাকল অনীমক অসি অশোয়বা থিনদুনা ঙাঙনদুনা লৈরবদি মসি লৈবাক্কী ওইনা অমাঙবনি হায়না হায়নবা য়াওনরক্লে। রুলিংনসু ওপোজিসন্না হায়রিবা খুদিংমক য়াম্না ইংথনা তাদুনা হেন্না ফগদবা মওংদা তাথোক তাশিন তৌনরবদি য়াইফগনি। ওপোজিসন্নসু রুলিংনা হেক তৌরিমখৈ য়েৎকনি হায়বরোমদা খন্নদুনা অশোয়বদু খুদোনবী থিন্দুনা ৱাতানবা ওইনা তৌরবদি মীয়ামগী ওইনা অফবা ওইগনি। অমনা হায়রদি অমনা মরৈ য়েৎকনি। অমনা হায়রবদি মদু য়েৎথৎকনি হায়না লৈনরবদি কমাইনা লৈবাক্কী অফবা হায়বদু পুরক্কনি। লৈঙাক্কী ওইবা মীফম ফমদুনা নৈনবগী কান্নবা ফংদ্রবদি কৈদৌননি। অনৌবা চহীনা লাকপা অসিদা য়াম্না লেমথোক্লা অমদি য়াম্না চমথোক্লা নাকল অনীমক্লা ফজবা ৱা খন্নদুনা পূন্না লৈবাক্কী ওইনা ফগদবা মওংদা থৌশিনমীন্নরবদি হেন্না ফগনি।

অনৌবা চহী অসিগী মনুংদা ৱামৈগুম্না ওমদুনা লৈরিবা ইস্যুশিং অসি অচৌবা ঙাক্তনি। আই এল পি এসকী, এস টিদা হঞ্জিনবগী, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবদা য়ানীংদবা কাঙলূপ অমগী ফুমদুনা লৈরিবা ইস্যু মসিগা ইশম শম্নবা মানবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ইস্যুশিং অসি তরাইনা লোইশিনবা য়াগদবা অমত্তা নত্তে হায়না খল্লি। মসি মনুংদা ৱাফম কয়া ফুমদুনা লৈনরিবা ঙাক্তনি। হায়রিবশিং অসি য়েৎনবা য়াওদনা ৱাখল তানা খন্ন-নৈনমিন্নদুনা অফবা মায়কৈ অমা পুরকপা হায়বসিনা লৈবাক অসিগী অমদি মীয়ামগী অফবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। নৎত্রবদি ইস্যু অমমম্না চাউরবা ৱাফম অমমম ওইরক্কনি। মসিদি মমাঙদা থেংনদুনা লাকখ্রবা ঙাক্তনি। অনৌবা চহীনা করি অনৌবা পুরক্লমগনি হায়বা ঙমদ্রবসু চহীসিগী মনুংদা অচৌবা ইস্যু কয়া অমা অতুম্বা মৈগী চীংগী মতৌগুম লৈরি। মসিনা পোকখায়রকপদা থোইদোক্লা মীয়ামগী পুন্সিদা অৱাবা ওইদসনু হায়বা অসিমতং থমনীংই। অৱাবা ফীভম লাক্তনবগীদমক মীয়াম পূম্নমক্না ৱাখল ফাথনা অমদি পুকচেল তিন্ননা চৎমিন্নবা ঙম্বা ওইরবদি খ্বাইদগী লাইবক ফরে হায়না হায়জনীংই।

# ঐখোয়সু ঙম্মী : থিজিন-হুমজিনবগী লমদা খুমাঙ চাউশিল্লক্লিবা ইন্দিয়া









### সাইন্সকী খোঙচৎ
### কুঞ্জো নাওরেম

**জেল** হায়বসি ঐখোয়না নুতিগী শীজিন্নরিবা য়া শেংননবা হীদাক্তা, কৈথেলদা য়োল্লিবা অচাপোৎশিংদা থেংনরে। মসি কেমিষ্ট্রিগী ওইবা লোন্দা হায়রগদি কোলোইদ হায়না খঙনরিবা য়ানশিন্নবা (মিকচর) অমনি। কুমজা ১৯২৬তা দোরোথি জোর্দাননা জেল হায়বসি মশক খঙবদদি ইরায় লায়বা অদুবু করিনো হায়না তাকপদদি লুবা অমনি হায়না ফোঙদোক্লম্মী। অসিগুম্বা জেল মখল অমনি হায়দ্রোজেল হায়রিবসি। হায়দ্রোজেল হায়বসি ঈশিংদা তুমদবা, কাতু-কারন য়েৎশিন্নবা, পোলিমর চেইনশিংগী থ্রি-দাইমেন্সনগী নেটৱর্কশিংনি, অদুগা পোলিমর চেইনশিংগী মরক্কী অহাংবদু ঈশিংনা মেনশিল্লি। অতোপ্পা লোন্দা হায়রগা হায়দ্রোজেল হায়বসিগী অয়াম্বা শরুক্তি ঈশিংনি। হৌজিক্তি হায়দ্রোজেলসি লম কয়াদা শীজিন্নরে।

**হু ওইবা মচু অমসুং ধাতুশিং লৌথোকপা ঙম্বা হায়দ্রোজেল :** 'পেপ্তাইদ সাইন্স' তা ফোঙখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না, কোলকটাগী ইন্দিয়ন এসোসিএসন ফোর কল্টিভেসন ওফ সাইসেন্সস (আই এ সী এস) কী সাইন্টিষ্টশিংনা অমোৎপা ঈশিংদগী হু ওইবা ধাতু অমসুং মচু শংনবা দাইশিং লৌথোকপা ঙম্বা অনৌবা জেল অমা পুথোকখ্রে হায়রি। মখোয়গী হায়দ্রোজেলসিনা দাইশিংবু মিনিট১৫গী মনুংদা চূপশিনবা ঙম্মী। মখোয়না চাং য়েংখিবা দাইশিংদুদি মলাচাইট গ্রীন, কোঙ্গো রেদ, হিগোক মচু অমসুং রোদোমাইন বিনি। অদুগা হায়দ্রোজেলসিনা মরুওইনা ঈশিংদা য়াওগনবা, ইন্দষ্ট্রিশিংদগী থাদোরকপা কোবাল্ট অমসুং নিকেলবু পুং তরুক্কী মনুংদা চূপশিনবা ঙম্মী। হায়দ্রোজেলসি লিউসাইন অমসুং ফিনাইলএলানিনগুম্বা এমিনো এসিদশিং শীজিন্নদুনা শাবনি। মসি মহৌশাদা তুমজবা ঙম্মী অদুগা রুম টেম্পরেচরদা থম্বদা থা কয়ামুক থম্বা য়াই।

হৌজিক অমোৎপা নৎত্রগা ফত্তবা ঈশিংবু শেংদোক্নবগী কাঙলোন কয়ামুক লৈ। মখোয়গী মনুংদা এক্টিভেটে তৌরবা কার্বন শীজিন্নবা, কেমিকেল প্রিসিপিটেসন অমসুং ইলেক্ট্রোকেমিকেল টেক্নিকশিং পনবা য়াই। মখোয়সিগী খুদোংচাদবা খরা অদুম লৈ। মখোয়না ফত্তবা পোৎমশিংবু মপূং ফানা লৌথোকপা ঙমদবা অমসুং থবকশিংসি পাঙথোকপদা এনর্জি য়াম্না চঙবসি হায়বা য়াই। অদুবু আই এ সী এসকী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোরক্লিবা হাইড্রোজেলসিনদি ফত্তবা পোৎশিংবু হেন্না য়াম্না চূপশিনহনবা ঙম্বগা লোয়ননা শীজিন্নবদা এনর্জিগী মথৌ তাদে অমসুং য়াম্না লায়না শীজিন্নবা য়াই। রিছার্স স্কোলর নিবেদিতা নন্দিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, অল্ট্রা ভাইওলেট স্পেক্ট্রোস্কোপিগী মতেংনা হাইড্রোজেলসিনা ফত্তবা পোৎশিংবু চূপশিনবগী চাং য়েংবদা পুং ৫/৬কী মনুংদা দাই অমসুং ধাতুশিংবু ফজনা চূপশিনবা থেংনরম্মী। মসিনা দাইশিংবু ৭৮-৯০% অদুগা ধাতুশিংবু ৮০% ফাওবা অমোৎপা ঈশিংদগী লৌথোকপা ঙম্মী। হায়রিবা জেলসি পুং ৬০ চূপ্না শুংলেপ লেপ্তুনা শীজিন্নবা য়াই। মসিগী মতুংদা হায়দ্রোজেলসি ঐখোয়না চানরিবা সোদা অসুং ইথাইল এসিটেট শীজিন্নদুনা চামথোক্লগা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াই। অসুম্না চাম-চামদুনা শীজিন্নবসি মরিরক ফাওবা শীজিন্নবা য়াই হায়না আই এ সী এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওলোজিকেল কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর অরিন্দর বেনর্জিনা ফোঙদোক্লি। অদুগা নুংঙাইবা ৱাফম অমনা, হায়দ্রোজেলসিগী চাউবগী চাং হেনগৎহন্দুনা ইন্দষ্ট্রিশিংদগী থাদোরকপা অমোৎপা ঈশিংবু শেংদোকপদা হেন্না কান্নবা পীরগনি হায়বসিনি।

**হীদাক্লা হাৎপা ঙমদ্রবা বেক্টেরিয়াশিংবু মায়থীবা পীবা ঙন্নগদবা পাম্বৈ অমা:** লায়না পোকহনবা বেক্টেরিয়াশিংসিনা করিগুম্বা লৈমাই নৎত্রগা পোৎ অমদা, খুদম ওইনা চাননবা পোৎ, পাম্বীগী মরা নৎত্রগা ঐখোয়গী য়াদা নপতুনা লৈবা মতমদা, অকক্লবা প্রোটিন মখল অমনা নপশিল্লিবদু নাম্থোক্তনবা য়াম্না কন্না ফাজিল্লি। অসুম্না ফাজিল্লিবা প্রোটিনশিংগী ষ্ট্রকচর খঙদোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরুওই । মরমদি মসিনা অনা লায়েংদা অমসুং হীদাক-লাংথক শুংবদা য়াম্না কান্নবা পী। বেক্টেরিয়া কয়াগী অসিগুম্বা প্রোটিনশিংগী ষ্ট্রকচর কয়ামুক পুথোক্নখ্রে। হন্দক্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ মদ্রাজগী সেন্তর ফোর এদভান্স ষ্টদি ইন খৃষ্টেলোগ্রাফিগী সাইন্টিষ্টশিংনা




*ষ্ট্রেপ্টোকোকস এগালেগসিয়া* অমসুং *ইন্টরোকোকস ফেসিয়ম* য়াওনা বেক্টেরিয়া খরগী প্রোটিনশিংগী তোপ তোপ্পা ষ্ট্রকচর খরা পুথোকপা ঙমখ্রে। মসিগী পাউদম অমা *রোয়ল সোসাইটি ওফ কেমিষ্ট্রি* অমসুং *ফেদরেসন ওফ য়ুরোপিয়ন বাইওকেমিকেল সোসাইটি জর্নেল*দা ফোঙদোকখিবনি।

বেক্টেরিয়াশিংনা সেলশিংবু খুদুম চনশিন্নবগীদমক বেক্টেরিয়াবু কুপশিল্লিবা প্রোটিনশিংদুগী মতেংনা সেলশিংদুদা য়াম্না কন্না নপশিল্লি। সেলশিংদুগী মেম্ব্রেন্না ৱাইখু (লোক) গী মওংনি। ৱাইখুসিবু হাংদোক্নবগীদমক বেক্টেরিয়াবু কুপশিল্লিবা প্রোটিনশিংসিনা শোজৈ (কি) অমগুম্না মথৌ তৌই হায়বদি প্রোটিনশিংসিনা সেলগী মেম্ব্রেনশিংদা য়াম্না নিংথিজনা নপশিন্নবগী পাম্বৈ ওই। ৱাইখু অমসুং শোজৈগী লৈনরিবা মরীসিনা মী অমদা নাহল্লকপা (ইনফেক্সন) য়াবগী চাং লেপ্পী। অদুনা ৱাইখু অমসুং শোজৈগী মরীবু থিংবা ঙম্বা হীদাকশিং শেম শাবা তাই। মসিগীদমক প্রোটিনশিংদুগী ষ্ট্রকচর খঙবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওই।

*ষ্ট্রেপ্টোকোকস এগালেগসিয়া* হায়বসি গ্রাম পোজিটিভ ওইবা বেক্টেরিয়া অমনি। গ্রাম পোজিটিভ অমসুং নেগেটিভ বেক্টেরিয়া হায়বসি বেক্টেরিয়াশিংবু কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দোক্নবা দেনমার্ককী *হান্স খৃষ্টান গ্রাম*না হৌদোক্লম্বা কাঙলোন অমনি। গ্রাম ষ্টেইন টেষ্টতা বেক্টেরিয়াশিংবু মংগ্রা মচু শংজিল্লি। মচু শংজিল্লবা বেক্টেরিয়াশিংদু অমুক অলকোহোল নৎত্রগা এসিটোনদা চামথোকই। অসুম্না চামথোকপদা মংগ্রা মচুদু কোক্তনা লৈহৌবা বেক্টেরিয়াশিংনা গ্রাম পোজিটিভ অদুগা মংগ্রা মচু কোকখিবা বেক্টেরিয়াশিংনা গ্রাম নেগেটিভ হায়না খঙনৈ। গ্রাম পোজিটিভ ওইরবা ষ্ট্রেপ্টোকোকস এগালেগসিয়ানা মীওইবদা সেপসিস, অঙাংশিংদা মেনিঞ্জাইটিস অমসুং নিউমোনিয়ানচিংবা শাথিরবা লায়নাশিং পোকহল্লি।

থিজিনবা অসিগী খ্বাইদগী শিংথানীংঙাই ওইবা অমদি *ইন্টররোকোকস ফেসিয়ম*গী সেলবু কুপশিল্লিবা *প্রোটিন এস জি আর এ* পুথোকখিবসিনি। বেক্টেরিয়াসি হৌজিক এন্টিবাইওটিক রেসিষ্টেন্ট ওইরকপা হায়বদি হীদাক্লা হাৎপা ঙল্লক্তবগী ফীভমদা লৈরিবনি। মসিনা ঈশিং মরীগী ওইবা লায়নাশিং পোকহল্লি। বেক্টেরিয়াসিবু কুপশিল্লিবা প্রোটিন এস জি আর এনা পোলিষ্টাইরিনগুম্বা পোৎশিংদা য়াম্না কন্না নপশিন্দুনা লৈবা ঙম্মী। থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা এক্স-রে দিফ্রাক্সনগী পাম্বৈ শীজিন্নরগা বেক্টেরিয়াবু কুপশিল্লিবা প্রোটিনশিংগী ষ্ট্রকচর নৈনখি। মখোয়না পুথোক্লিবা প্রোটিনগী ষ্ট্রকচরসি হান্না পুথোকখিবা বেক্টেরিয়াবু কূপশিল্লিবা প্রোটিনশিংদগী তোপ তোপ্পী। মসিগী ষ্ট্রকচর খঙলকপসিনা বেক্টেরিয়াবুসু হাৎনবগীদমক অনৌবা হীদাক পুথোকপদা হেন্না কান্নহল্লগনি হায়রি।